# ব্রোইলরদা মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবা - হঙ্গৎনা য়েংবদা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

*শেন্দাল* লম্বী অমা ওইনা য়েন ব্রোইলরসি চহী ২০-২৫ গী মমাঙদগী লোয়নরকই। ব্রোইলরশিংসি অতেনবা মতম হায়বদি নুমিৎ ৩৫-৪২ নিগী মনুংদা মশাগী অরূম্বসি কেজি ২-২.৫ ফাওবা য়ৌই। মরমদি ব্রোইলর মশাগী জেনেটিক প্রোগ্রেস লৈ। মচিঞ্জাক চাবা ফবা অমদি অকোয়বগী ফীভমসু কন্ত্রোল তৌরগা লৈবা ঙম্মী। ব্রোইলরশিংসি অতেনবা মতমদা চাং ৱাংনা লুপ্লকপা মরম্না মশাদা হেন্না ফেট লৈহল্লি। শিবগী চাংসু ৱাংহল্লি। হকচাং মনুংদা অহিংবা পোৎনা মশা ওল্লক্তুনা লায়না কয়া শন্দোরক্লি অমদি শরূ শয়াংগী অনাবা কয়া অমসু য়াওরকই। অসিগুম্বা লায়না কয়াসি লেপ্তনা পীজবা ব্রোইলরশিংদা য়াম্না তোয়না থেংনৈ। মরম অসিনা ব্রোইলরদা মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবনা মথক্কী লায়নাশিংসি খরা মখেদি হন্থবা ঙমগনি।





য়েন ব্রোইলর লোয়বা মতমদা হেন্না চঙলিবসি মচিঞ্জাক্তনি। য়েন লোয়বদা চঙলিবা অপূনবা পৈশাসিদগী মচিঞ্জাক্না চাদা ৬০-৭০ ফাওবা চঙই। ব্রোইলর লোয়বদা চঙলিবা অপূনবা পৈশাসি খরা হন্থহনগে হায়রগদি মচিঞ্জাক্তা হন্থহনবা তাবনি। নুমিৎ খুদিংগী পীজরিবা মচিঞ্জাক্তা চাং হন্থনা পীজরগদি মচিঞ্জাক অরেম্বদা মাঙহনবগী চাংসু হন্থগনি। মসিদসু নত্তনা মশাদা ফেট লৈশিনবগী চাংসু নেম্লনি।

নীংশিংবীগদবা অমনা কা হেন্না য়াম্না থুনা চাউনবনি হায়দুনা মচিঞ্জাক হেন্না পীজবিরগদি ব্রোইলর মশাদা মহাউ দিপোজিসন থুগনি অমদি শেমদোক্লবা য়েনশাগী ক্বালিটিসু ফনা লৈররোই। কঞ্জুমরগী অপাম্বসু হন্থরগনি।

*মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবসিদা অনী থোক্না য়েংবা য়াই ঃ-* অহানবদা ক্বালিটেটিভ অদুগা অনীশুবদা ক্বান্টিটেটিভনি। ক্বালিটেটিভ হায়রগদি ঐখোয়না নোংমদা পীজরিবা চাং অদুগা ক্বান্টিটেটিভ হায়রগদি ব্রোইলরদা পীজরিবা মচিঞ্জাক্তুগী ন্যুট্রিয়েন্ট কন্টেন্টনি।

মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবগী মওং খরা ঃ- *য়েন অদুনা চাউরক্লিবা নুমিৎতুগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাক পীজবা ঃ* নোংমদা য়েন অমনা চাগদবা মচিঞ্জাক্তুখক্তমক পীজবীগনি। মসিদা কা হেন্না পীজবীরোইদবনি। মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা মচিঞ্জাক্কী পাত্রা অদু য়েন মশীংগা চান্ননা থম্বীগনি। মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবীরবনিনা অমগা অমগা ইনশিন্নদুনা চান্ননবা হোৎনরক্কনি। মসিদা য়েনশিংদা অশোয় অঙাম য়াম্না থোরক্কনি। মচিঞ্জাক্কী পাত্র অনীগী কারক খুদিংগী ঈশিং পাত্র অমমমসু থম্বীগনি। ব্রোইলর লূম্বগী অমদি চাউরক্লিবা নুমিৎতুগী মতুংইন্না নোংমদা পীজগদবা চাং-

| এজ | | লূম্বগী চাং (গ্রাম) | | নুংতিগী পীজবীগদবা (গ্রাম) |
|---|---|---|---|---|
| ১ | - | ১১০ - ১৩০ | - | ১৪ - ২১ |
| ২ | - | ৩১৫ - ৩৯০ | - | ৩২ - ৬০ |
| ৩ | - | ৫৪০ - ৭৩৫ | - | ৫০ - ৭৭ |
| ৪ | - | ৮২৫ - ১১০০ | - | ৬৭ - ৯৪ |
| ৫ | - | ১১৮৫ - ১৪২৫ | - | ৯০ - ১১৫ |
| ৬ | - | ১৫৬০ - ১৮৮০ | - | ১০৫ - ১৩৫ |
| ৭ | - | ১৯২০ - ১৯৯০ | - | ১১৭ - ১৫২ |
| ৮ | - | ২১৯০ - ২৪২৫ | - | ১৫০ - ১৭০ |

মথক্তা থল্লিবা মচিঞ্জাক পীজবগী চাংসিদগী কা হেন্না হন্থনা পীজবীরগদি অকক্লবা মতমদা লুমগদবা য়ৌদনা লুপ্লকই। হঙ্গৎনবা য়েংলুবা মতমদা হান্না লেপ্তনা পংপীদা পীজবগী চাংদুদগী চাদা ৩০ হন্থনা পীজবা মতমদা নুমিৎ ৪৯ দা য়ৌগদবা অরূম্বদু য়ৌবা ঙমদে। মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবীগে হায়রগদি ব্রোইলরনা অহানবা হেক মচিঞ্জাক চাবা হৌবদগী মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবীরোইদবনি। চাবা হৌবদগী নুমিৎ ৫-৭ নি ফাওবা লৈরগা হন্থনা পীজবসি হৌবীগনি অদুগা হাপ্তা অমদা নুমিৎ মঙানিদগী হেন্না তৌবিরোইদবনি।

*মচিঞ্জাক নোংমা লেপ্পীবা ঃ* মসি ব্রোইলরশিংদা নোংমা পীজবীগদবা মচিঞ্জাক্তু পীজবীদনা লেপথোকপীবনি। মসি মচা ধারা শন্দোক্লবা থম্বা ব্রোইলরশিংদনা হেন্না নম্না শীজিন্নৈ। মচা ধারা শন্দোক্লবা ব্রোইলরশিংদা ষ্টার্টর ফীদ পীজবা মতমদা নোংমদা পুং ৮-২৪ ফাওবা পীজদনা থম্বনা থুনা চাউগাদবসু থেংথহল্লি অমদি মীট য়িল্ডসু হন্থে অদুবু ব্রোইলরদা য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না ঈশিং হাল্লগা পোমখৎপদুগী চাংদি হন্থে। অতোপ্পা অমগী ফাইন্দিংদনা মচিঞ্জাক হাপ্তা অমদা নোংমা হন্থনা মচিঞ্জাক হেক চাবা হৌরকপদগী হাপ্তা ৩ ফাওবা তৌরবা তুংদা হান্না পীজফম থোকপদু অমুক মতুং ইনবীরগদি শেমদোক্লবা মশাগী ক্বালিটি হেনগৎহল্লি অমদি শিবগী চাংসু হন্থে।

*মৈ পীবগী মতম ঃ* য়েনশিং মৈদা য়াম্না মিৎশিং-নাশিংই। মৈ পীবনা য়েনশিংনা মতম অমতদা রিদম মান্ননা থবক তৌই। হায়বদি চাবা থকপা, কোয়চেন চেন চেংবা, ব্রোইলর লোইবা মতমদা মতম পূন্ন মত্তা মৈ ফংহন্দুনা লাকই। পুং ২৪ মৈ পীবসিনা মচিঞ্জাক হেন্না চাই অমদি থুনা লূম্বসু হেনগৎলি হায়না লৌনরি। মৈ পুং ২৪ চুপ্না ফংহনবগী মহুৎতা পুং খরা ফংহন্দবা নৎত্রগা মতম খরা ফংলগা খরা ফংবসিনা য়েনশিংগী চাবগী চাংগা মরী লৈনৈ। মৈ মতম হন্থনা পীবসিনা মচিঞ্জাক হন্থনা চারনি অমদি শিবগী চাংসু হন্থরগনি। মসিদসু নত্তনা মখোঙদা অশোয়বা কয়া অমা থোরক্লিবদুগীসু চাং হন্থরগনি। ফাইন্দিং খরগী মতুং ইন্না য়েন ব্রোইলরনা নুমিৎ ৮৯ শুবা ফাওবসিদা পুং ১ মৈ পীবা, পুং ৩ মুৎপসিনা মশাগী ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহল্লি। মসি পুং ২৩ মৈ পীবগা, পুং ১ মম্বগা চাংদম্নবদা ফংবনি। অতোপ্পা অমদনা মৈ পীবগী চাংসি ব্রোইলর য়েন্না নুমিৎ ৮৭ নি হেক শুরকপদগী নোংমদা মৈ পীবগী চাংসি পুং ১ ওইবা অদুগা মম্বনা পুং ৩ ওইবা, মসি হঞ্জিন হঞ্জিন নোংমদা ৬ লক তৌবিরগদি শিবগী চাং হন্থহনবদা নত্তনা মচিঞ্জাক চাশিনখ্রিবদুগী মতুং ইন্না অরুম্বরোমদা পীথোরকপদুগী চাং হেনগৎহল্লি। মৈ পীরিবসিগী চাং হন্থহনবসিনা মৈগী পৈশা হন্থহনবদা নত্তনা ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেনগৎহল্লি। অদুবু নীংশিংবীগদবা অমনা য়েন থম্বা মতমদা ফংলিবা মফমদুগী মতুংইন্না য়েন থম্বীগনি অমদি মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং থক্লবা পাত্রসু মফম চানা মশীং শুনা থম্বীগনি।

*মচিঞ্জাক ওস্থোক ওনশিন তৌবা ঃ* ফাইন্দিং খরগী মতুং ইন্না ব্রোইলরশিংনা নুমিৎ ৬-১২ ফাওবগী মনুংসিদা পীজরিবা মচিঞ্জাক্তুদা ইনর্জি ৱাংনা লৈবা মচিঞ্জাক হায়বদি চুজাকসি ইনর্জি হন্থনা ফংবা চেঙকুপ / গেহুমকুপ্না মহুৎ শিনবদা লূম্বগী চাং হন্থরগসু মখোয়না নুমিৎ ৪৯ নি শুরকপা মতমদদি চপ মান্নরকই। অমরোমদা অমুক ব্রোইলরনা ওনবা নুমিৎতগী হাপ্তা ৩ ফাওবগী মনুংসিদা ইনর্জি হন্থনা ফংবা হায়বদি হঙ্গামপাল মচুগী চুজাক্তগী ওটমিলনা মহুৎ শিনবা মতমদা অরুম্বগী চাংসি খেন্নবা কা হেন্না উবা ফংদে অদুগা মবুক্তা য়াওবা ফেটপুদি অদুক্কী মতিক হন্থে।

*মচিঞ্জাক প্রোটিন অমদি ইনর্জিগী চাং হন্থবা ঃ* ব্রোইলর মচিঞ্জাক্কী মখল হায়বদি ষ্টার্টর, গ্রোৱর, ফিনিসরদা য়াওরিবা ব্রুড প্রোটিনগী চাংসি চাদা ২২, চাদা ২০ অমদি চাদা ১৮ নি। অদুগা ইনর্জিসিনা ৩২০০ কে কেল এম ঈ কে জী ডাইটনি। ব্রোইলরশিংদা ন্যুট্রিয়েন্ট মচিঞ্জাক পীজরগদি মখোয়না মচিঞ্জাক চাবগী চাংসি ৱাংনা লৈ। ফাইন্দিং অমগী মতুংইন্না ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা ব্রুড প্রোটিন চাদা ৯.৫ য়াওবসি লেপ্তনা নুমিৎ ৮ নি শুরকপদগী ১৪ শুবা ফাওবা পীজবা মতমদা চাবগী চাং হন্থে অমদি লুম্বগী চাংসু চাদা ৫৭ তগী ৪১ ফাওবা হন্থে। মসিগী মরমদি মচিঞ্জাক্তা এমাইনো এসিদ অমদি প্রোটিনগী চাং হন্থবনা চানিং থক্লিংবা ৱাৎহনবগীনি।

*মচিঞ্জাক্কী মওং ঃ* ব্রোইলর মচিঞ্জাকসি মখল অনী থোক্না ফংই ঃ- মফোন ঙাক্তা ওইবা অমনা মতুম মতুম তাবা, উচি মথি মানবা, ফাইন্দিং খরগী মতুং ইন্না ব্রোইলর য়েন গ্রুপ অমদা ষ্টার্টর অমদি গ্রোৱরদা মফোন পীজবা অদুগা ফিনিসরদনা মতুম মতুমগী মচিঞ্জাক পীজবা মতমদা নুমিৎ ৪৯ শুবা মতমদা লাবনা অমোমদগী ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সি হেল্লি অমদি তোঙান্না মফোনগী গ্রুপ অমগা মতুম মতুম তাবগী গ্রুপ অমগা য়েংনবদা মতুম মতুম তাবা মচিঞ্জাক পীজবনা শিবগী চাং ৱাংনা লৈ অদুবু হেন্না লুম্বা অমদি ফীদ কনভর্সন ইফিসিয়েন্সিদি মতুম তাবা মচিঞ্জাক্না হেল্লি। মসিগী মরমদি মচিঞ্জাক্তা য়াওরিবা কারবোহাইদ্রেটসি য়াম্না থুনা দাইজেষ্ট তৌবা ঙম্মী। হেন্না চাবা ঙমই অমদি মচিঞ্জাক অরেম্বগী চাংসু নেম্মী। মফোনগী মচিঞ্জাক পীজবদদি মতম কুইনা মচিঞ্জাক চাই অমদি মসিদা ইনর্জি মাংই।

*কেমিকেল শীজিন্নবা ঃ* মচিঞ্জাক চাবা হন্থহন্নবা হীদাক চারগা চানীংবা ফাওহন্দনা মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থহনবা য়াই। য়েন মচিঞ্জাক্তা ডালাইকোলিক এসিদ চাদা ১.৫ অমদি চাদা ৩ হাপ্লগা ব্রোইলরদা নুমিৎ ৭-১৪ ফাওবা পীজবা মতমদা মখোয়সি চানীংবা ফাওহন্দে অমদি চাদা ২২ অমদি ৫৫ গী চাংদা লুমগদবা চাংদুদগী হন্থে। অতোপ্পা অমদনা কেমিকেল শীজিন্নরগা মচিঞ্জাক চাহনীংদবা গ্রুপ্তা ১-৩% এসিটিক এসিদ অমদি প্রোপাওনিক এসিদ হাপ্লগা হাপ্তা ২-৬ ফাওবা পীজবা মতমদা ব্রোইলর অমোমদদি ঐখোয়না মচিঞ্জাক হন্থনা পীজরগা ফংনীংলিবা অরুম্বদুদি ফংবা ঙমই।

ব্রোইলর লোইবা মতমদা খ্বাইদগী ৱারিবা / হেন্না শেল চঙলিবসি মচিঞ্জাক্তনি। মফম অসিদা বন্দ, ব্লোকেদ লাকপা মতমদা য়েন লোইবা হৌরুরবনিনা মচিঞ্জাক্কী অৱাবসি য়াম্না চাউনা মায়োক্লরি। মখা তাবা য়েন লোইবগী ৱাখল লৈহন্দে। মরম অসিনা হঙ্গৎনা য়েংবদা ফংলিবা মচিঞ্জাক হন্থনা পীজবগী কান্নবা কয়া অসি য়েংলগা মখা তানা অসিগুম্বা ফাইন্দিং ময়ামসিগা পূন্না চৎমিন্নবগী ৱাখলসি থমজরি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নেসনল এন্থেম এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৯ হায়বা অমা পুথোকপিয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ইন্দিয়াগী মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ জন গন মন...। অসি ৱান্থোক লৈনা য়াম্না মতিক ময়াই চেল্লিবা শৈরেংনি। শৈরেং অসিনা চপ মান্নবা নুংশি-মীৎয়েং অমগী মখাদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেটিক ইন্টিগ্রিটি অসিবু নাওকোন দুনা থম্বিরিবা ঈশৈগী নুংশি-চরৈ অমনি। লাইবক থীবনি হায়গদ্রা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং নত্তনা অতে ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক নোংপোক্তা বেঙ্গোল ফাওবদং য়াওনা নেসনল এন্থেম অসিনা শৈশক-শৈথাবদা য়াওই। অসুম্না ঙক্লিংঙাই ওইবদগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংনা হেক হেক হংনিংলিবা ৱাহংদি নোবেল পিছ প্রাইজ ফংখ্রবা মালেম অসিবু মাগী থম্মোয়না অমত্তা ওইনা উবা ঙল্লবা, সেক্টরিয়ানগী ৱাখল লৈখিদ্রবা হিন্দু-বেঙ্গলগী ফুরূপ্তা পোকখিবা মহাকবি রবীন্দ্রনাঠ টেগোরনা মমা লৈবাক নুংশিজবগী থৱায় হকচাং য়াওনা ইজবা পেত্রিওটিক সোংগী শৈরেংদা করিগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং চিংখরমদুনা শৈশক-শৈথাবদা য়াওহনবিদ্রিবনো হায়বসিনি। ঈশৈ অদুসু ইচম-চম্বা সিনেমা দ্রামাদা, শুমাং-লীলাদা, লৈরক-খুল্লক্তা করিদা মফম মতম চাদনা পংশক শকপা য়াবা নত্তে। অসিগুম্বা অৱাংবা থাক্কী য়ুনিক ওইবা অমত্তা ঙায়রবা জাতিগী ঈশৈদা শৈথাদুনা য়াওরিবা জাতিগী লৈরাংশিংগী লৈ-পরেংদা নোর্থ ইষ্টকী লৈরাংশিং অদু লৈ-পরেংগী লৈরাং-লৈচন্দা য়াওহন্দ্রিবনি। মতৌ অসুম্না নোর্থ ইষ্টকী লৈরাংশিং অসি নেসনলগী অশেংবা লৈরাংশিংনি হায়না মশক খঙনা শৈশক-শৈথাবিদ্রিবনি।

মহাকবি রবীন্দ্রনাঠ টেগোরনা মখূৎনা লেংজরম্বা জাতিগী লৈ-পরেং অসি খাঙতপ্তা তৎহনবদি য়াবা নত্তে। মতম চুপ্পগী ওইনা ইন্দিয়ানা হিংলিবমখে ঙকশমদা শিদুনা লৈগদৌরিবনি। করিগুম্বা নোর্থ ইষ্টকী পিক্তক-চেংতক তৌবা, নুংশিবা মনম চেনবা, য়েক্ল-তিঙখং পাঞ্জদবা লৈরাংশিং অসি ইন্দিয়াগী চাউতক-নোয়তক তৌবা মনম চেন্দবা তিঙ্খং পানবা লৈরাংশিংগা পুন্না লৈচন-শেম্মীন্নবা জাতিগী লৈ-পরেং অদু করিগুম্বা লৈরাং-লৈচন চান্নদদুনা খাঙতপ্তা তৎপা থোক্লবদি, অদুগুম্বা লৈরাং-লৈচন লৈরাংজরুবগীদমক মহাকবি অসিগী থম্মোয়দা মতম চুপ্পগী ওইনা তেংথাদুনা লৈহৌগদৌরিবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা মখলগী লৈরাং-লৈচনশিং অদু ইন্দিয়াগী তুংলমচৎকী পুৱারীদা তুংকোইনা লৈচন-চানা লৈহৌরোই খনবদগী পুকচেন-চাউরবা, ঐগী মীগী খাইজদ্রবা মহাকবি অসিনা ফাওবা মহাক্কী থম্মোয়-লকানুংদগী অশানবা পোলিটিকেলগী মীৎয়েং অমা থমদুনা নোর্থ ইষ্টকী লৈরাংশিং লৈচন্দা য়াওহন্দনা শেমখিবা নেসনলগী লৈ-পরেংনি। শম্না হায়রবদা মহাকবি রবীন্দ্রনাঠ টেগোর অমসুং ইন্দিয়ানা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অসি নেসনল ষ্টেট ওইনা মশক খঙদে হায়বনি। অসিগুম্বা অপিক অপিকপা ষ্টেটশিং অসি ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা থমদুনা মপান্থোংগী মশক খরদং খঙলবসু মপান্থোং অমসুং মনুং-থোং অনীমক্তা মশক নিংথিনা খঙনবদি ইহোৎ-হোৎনদ্রি। মদুগী ওন্ন-তৈন্নবদা, জাৎ-জাৎকী তৌহৈদবা থৌরাং-থৌশিন কয়া ইতৎ তত্তনা চংখরকপনা নোর্থ ইষ্টকী লৈবাক মীয়াম্না ইন্দিয়াবু তুংকোইনা থাজবা থম্বা ঙল্লক্লোইদৌরি। য়াম্না অমুক লুরিবা ৱাফমদি মহাকবি অসিনা মখূৎমক্না লেংজরম্বা জাতিগী লৈ-পরেং অসিবু থদত্তুনা, করম্বা হেন্না পুকচেল চাউবা মহাকবি অমনা অমুক নোর্থ ইষ্টকী লৈরাংশিংবু জাতিগী নৌনা লেংবা লৈ-পরেংগী লৈচন্দা য়াওহনবিবা ঙমগনি অমসুং জাতিগী ঈশৈদা শৈশক শৈথাবদা য়াওহন্দুনা ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেম্না অমসুং ইন্দিয়ানা মখোয়বু ইজাতিগী অশেংবা ষ্টেটশিংনি হায়না চপচানা ইকায়খুম্নবিগদ্রা হায়বসিনি।

মখা তাজরকপদা, সী এ বি ২০১৬ অসি মপান্থোংদা ইফদা ফজথোকপা মানবা মনুং থোংদনা লৌনম-লাংগী ওইবা ইন্দিয়াগী ৱাখলগী মমিনি। বিল অসিগা মরী লৈননা পল্লিবা 'চে-চাং অমত্তা পায়দ্রবসু' অসিনচিংবা লমচৎ- কোম্বা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অসি অসুক্কী মতিক নাপ-পু চাদনা খুদোংথীনিঙায়গী মশক্লি। মসিনা তাকপদি মশা-মশাগী শক্তাক চেশিং অমসুং অতৈ মরী লৈনগদবা চে-চাংশিং পায়দয়বসু চঙজফম পীগদৌরিবনিনা বিলদা পল্লিবা লৈবাক অহুম অদু নত্রবফাওবদা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগীসু হুরান-লনাদা নন-মস্লিম কয়া ইরায়-লায়না চঙলকপা য়ারিবনি। মুস্লিমশিংবুনা মশীং থাবদা য়াওশিন্নদ্রিবসি, মখোয়বু হিন্দুদা নম্ফুদা ওন্থোক্ন বগী তাঞ্জা অমা পীদুনা ইন্দিয়ান সিটিজন ওইহনগদৌরিবনি। হৌজিক বিল অসি লোক সভাদা ফম্বা চলহনখ্রে। মথংদদি শোয়দনা রাজ্য সভাদা হিপ্পা চলহনগদৌরি। অসুম্না মশীং য়ামখ্রবা অনৌবা সিটিজন ওইগদৌরিবশিংগী মরক্তা য়াম্না লায়র-নংলবা, লৌনগনবা লায়না কয়ানা নারবা অমসুং মখল-মখা কয়াগী ক্রাইমদা চেন্নবা মীরোৎ কয়াসু নুংশি চাউবা ইন্দিয়াদা খুন্দা লৈতাহনগদৌরিবনি। অমবু ওইরে অমবু ওইরে, ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইগদৌরিবা ময়াং-মীনৌশিং অসি অমাম্বনা মুম্বাই, দিল্লী, কোলকটা, বিহার, য়ু পিনচিংবা অচৌবা চাওখৎলবা অমসুং নুংঙাইবনা লোইরবা মফমশিংদা লৈগে হায়রক্লোই। মদুগী মহুত্তা মায়কৈ-সলাই খঙদবমখে পল্লেপফম খঙদনা তুরোই-ঙামলোয় হিংলিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মশীং য়ামদ্রিবা মোঙ্গোলোইদ ফুরূপশিংগী মরক্তা থেৎচন্দুনা লৈজগে হায়রক্কদৌরি। থৌশীল-থৌরাং ফবা সেন্টরনসু নম্ফুদা লৈহন্নবা হোৎনরক্কনি। মতুং তারকপদা তপ্না তপ্না আর্য়নাইজ নত্রগা ময়াংনাইজ তৌশিল্লক্তুনা লমদম অসোমগী সোসিও-পোলিটিকো-ইকোনোমিক্কী মথক্তা ওভর-পৱর তৌশিল্লকপা হায়বসি নোংমদি শোয়দ্রবনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা মখোয় খরখক লৈরিবসি ফাওবা মায়রোং য়াবা ঙল্লক্ত্রবা মতম অসিদা লাক্ষ-লাক্ষকী নন মোঙ্গোলোইদ মীনৌশিং হাইজীল্লক্তুনা মণিপুরগী তুংগী পুৱারীদা পীথরক্কদৌরিবা চৈথেং অদুগী মায়োক্তা থৌনা ফবা লাক্ষ ৩০ নত্তনা মরৈবাক নীংবা ৬০না করি তৌবা ঙম্বিগদৌরি ? অসুম্না আর্য়ানাইজ / ময়াংনাইজ তৌবা য়াবা তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেম্না নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংবু নাকোয়ননা মশক খঙশিন্নগদৌরিবনি। অসুম তৌরবদি মহাকবি রবীন্দ্রনাঠ টেগোরনা ইজবা জাতিগী মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ অদু মপোপ কায়দনা তুং কোইনা চৎনবা য়াহনগদৌরিবনি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিং অসি ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেমদা য়াওহন্দবনা মরম ওইদুনা, অসিগুম্বা পেত্রিওটিক সোং অসি মালেমগী মীৎয়েংদা ফজফম ওইদ্রি। মসিগী মতাংদা মালেমগী মমাঙদা নৈনরকপা মতমদা ইন্দিয়াগী চাউরবা দেমোক্রেসিগী মায়থোং অদু লুকথদুনা লৈগনি হায়বসি ইন্দিয়া মশানা খঙজে।

অসিগুম্বা লৌনম-চাউবা সী এ বি ২০১৬ চৎনহন্দুনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংবু নাকোইননা ইন্দিয়াগী নেসনল এন্থেম্না মশক খঙনবা হোৎনবগী মহুত্তা নেসনল এন্থেম্না হৌজিক ইকায়খুম্নবিরিবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা য়াওহন্নবা জাতিগী মরৈবাক নীংবগী ঈশৈ অমা নৌনা ইথোক্লবা অমসুং চৎনহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না নেসনল এন্থেম এমেন্দমেন্ট বিল অমা পুখত্তুনা খন্নফম থোকই অমসুং চৎনহনফমসু থোকই। অদুগীসু মথক্তা য়েলহৌঙৈগী অপিকপা ফুরূপশিংগী সোসিও-পোলিটিকো-ইকোনোমিক্তা হৌজ-হৌজা তমথীবা চৈথেংসু পীরক্তুনবা প্রোবিজনশিংনচিংবসু চৎনহন্নবা বিল অদুদা য়াওহনবিগদবনি। অসুম তৌবিরবদি ইন্দিয়া অসি মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসী চৎপা লৈবাক্লি হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা থাজগনি।

মরম অসিনা অরোইবদা, 'হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লেনে' হায়বা মানবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসি হন্দোক্লগা নেসনল এন্থেম (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯ পুথোকপিবনা শরুক চাম্মা চাম্মা হেন্না ফগনি থাজে।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৯

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সনা চহী অহুমগী মফম চাউনা লৈরি। বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা চপ চানা লেপখিবা নিংথৌ মচানি।
(ক) মহাকপু পোকপা মহারাজগী মমিং হায়য়ু।
(খ) মহাক্কী অশেংবা মমিংনা করি কৌবগে?

২। ''নমু পোং ওইবনা মানা-মানা নীংবা থৌরম্না খোইমোম লাইগী নোংদম মহৈবু ওইনরিএ'' পরেং অসি কবি চাউবগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। ''নঙনা শৈরেংদা তোংদুনা শান্নজখি হরিবান্দোং, শৈরেংগী ঈপাক্তা চোংথদুনা ঈরোয়খি, ঈরুপখি।'' পরেং অসিনা কবি শ্রীবিরেনবু শৈথাদুনা ইরিবনি। অইবদু কনানো?

৪। ''নচেমশিংদা পাউহংলকউ, হুইরোই থেংনবদদি চেকশিল্লুকো।'' পরেং অসিমনা 'শাগৈ ওনখ্রোতদি হায়রগনু' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। ''ইতা, লৌখোংদুনা করম চেলহৌরি। লৌবুক্তুনা করম তৌহৌরি।'' পরেং অনী অসিনা মমিং লৈবা ঈশৈ ময়েক অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। শৈরেংবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অৱিবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা খোইদোক্না মরী লৈনদে।*